**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 09-10-2023)**

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। ঙরাংসু মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী লালহৌলুপ অমগী মীওই অমা ফাগৎখি। মঙোন্দগী নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু অহুম, মোবাইল হেন্দসেট অহুম অমসুং শেল ওইনা লুপা লিশিং ৪৫ ফাগৎখি। মীওই অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা হায়-থা অসিগী তরেৎকী নুমিদাং অমসুং ঙরাং অয়ুক অঙনবদা ন্যু কৈথেলমনাবী এরিয়াদা অরানবা তৌবা খৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী মফম অদুদা লৈবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। তুংদা, চিংনবা মফমশিংদা কোম্বিং ওপরেসন চথদুনা খুৎলায় পায়বশিং অদু তকথোকখি।

**কার্ফিউ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

অদুমওইনমক, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, চুরাচান্দপুর, কাংপোকপী, বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল জিলাশিংদা সি.আর.পি.সিগী ধারা ১৪৪ গী মখাদা মী মঙা নৎত্রগা মঙাদগী হেন্না পুনবদা অথিংবা থমলে। মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা থোকপা হুকুমশিংদা হায়-তঙাইফদনা আইননা য়াবা মওংদা মীয়াম পুনদবা য়াদবা অমদি লাউদ স্পিকর শিজিন্নগদবা লৈরবদি মাংজোননা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদগী অয়াবা লৌগদবনি।

**সিক্কিম ঃ** সিক্কিমগী ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। কেন্দ্রগী হোম এফিয়ার্সকী রাজ্য মন্ত্রি-অজয় কুমার মিশ্রানা ঙরাং মনগাং জিলাগী ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মফম অদুদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-অৱাবা তারবা মীয়ামদা মখা তানা পীবা য়াবা মতেংশিং পীখিগনি। মসিগী মথক্তা লম্বী ফাওনদনা লৈরিবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং থংদোরকবা মখা তানা হোৎনরি।

রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি-প্রেম সিংহ তমাংসু ঙরাং ঈচাওনা শোকহল্লবা ফিদাং থোংগী মনাক্তা চৎতুনা য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা অৱাবা নংলবা মীয়ামদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীদুনা থুনা খুন্দা লৈতাহন্নবা শিনগনি হায়না থাজবা ফোংদোকখি।

মরক অসিদা, সিক্কিম ষ্টেট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিগী পাউনা হায়-ঈচাও অসিদা লৈখিদবা মীগী মশিং ৩৩ শুরে। মদুগী মনুংদা লান্মীগী মীওই ৯ য়াওরি। মীওই ১০৫ হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি।

**সিতরামন ঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা ঙরাং বরানাসিদা লৈবা বনারাজ হিন্দু য়ুনিভরসিতিদা মহৈরোইশিংগী কাউন্সিল্লিং প্রোগ্রাম অমা হৌদোকখ্রে।

য়ুনিভরসিতি অদুগী আই.আই. দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শ্রীমতি সিতারামননা হায়-লম কয়াদা হিদান্নবা হেনগৎলক্লবা মতম অসিদা মহৈরোইশিংনা মখোয়গী তুংগী লাইবক লেপচনবা অমসুং লৈবাক অসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক কন্না হোৎনগদবনি। পুন্সি অমসুং থবক্কী খল চান্ননা থবক তৌনবসু মন্ত্রিনা মহৈরোইশিংদা তকশিনখি। পুকিং ৱাখলগী লায়না লৈরবা মীওইশিংবু লায়েংনবগীদমক চহি অসিদা কেন্দ্রগী বজেটতা লুপা কোতি লিশিং ১,২০০ খাক্তুনা থল্লি হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**সিবিআই ঃ** সিভিক বোদি রিক্রুইটমেন্ট স্কমাগা মরী লৈননা নোংচুপ বেঙ্গোলগী মন্ত্রি-ফিরহাৎ হাকিমগী য়ুমদা সি.বি.আইনা থিবা হুন্বগী থবক চথখ্রে। হান্ননসু রাজ্য অদুগী ফুদ এন্দ সপ্লাইজ মন্ত্রি ওইরিবা রাথিন ঘোসকী য়ুমদসু ইনর্ফোসমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা থিবা হুন্বগী থবক চথখ্রবনি।

মন্ত্রি অসিগী প্রিয়ারি মোহোন রোই রোডতা লৈবা য়ুমদা মশিং য়াম্লবা সি.আর.পি.এফকী পার্সোনেলশিংনা হৌজিক কোইশিনদুনা থম্লি। সি.বি.আইগী পাউনা হায়-গ্রুপ (সি) অমসুং (দি) গী পোষ্টশিং লৌনবা আইননা য়াদবা মওংদা ম্যুনিসিপাল রিক্রুটমেন্ট পাঙথোকপগীদমক থিবা হুন্বগী থবক অদু চথখিবনি। ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা কলকাটা হায় কোর্টনা খঙহল্লকপদগী সি.বি.আইনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা থিজিনবা হৌরকপনি।

**ইজরেল ঃ** ইজরেল্লি ফোর্স অমসুং পেলেস্তাইন হমাসকী মরক্তা খুৎ থোকবগী চাং হেনগৎলক্লি। নাকল অনিমক্তা মীওই লিশিং অমরোম শিখ্রে। লেবানন্দগী হিসবুলাহ মিলিটেন্টশিংসু হমাসতা শৌগৎখে।

নহান হমাস টেরোরিষ্টশিংনা ইজরেলদা রোকেড কয়ামরুম মশিং খঙদনা কাপশিল্লকখি অমসুং মখোয়গী ফাইটরশিংনা খঙহৌদনা ইজরেললোমদা চংশিল্লক্তুনা এট্রেক চথরকখি। হৌজিক মফম অদুদা আর্টিলারি সেল অমদি মীসাইলশিং কাপশিনদুনা এট্রেক তৌবা লেপত্রি।

ইজরেল সরকারনা হায়-এট্রেক অসিদা হৌজিক ফাওবদা ইজরেল মচা ৬০০ হেন্না শিখ্রে। মীওই ১০০ না নমদুনা ফাখ্রে অদুগা মীওই লিশিং অনিরোমনা অশোক অপন নংলে। অমরোমদা, পেলেস্তাইনগী ওফিসিএলশিংনা হায়-ইজরেলদা চথরকখিবা ইয়ার ষ্ট্রাইক্তা গজা ষ্ট্রিটতা মীওই ৩৭০ শিরে। মীওই লিশিং অনিরোমনা শোক্লে।

মরক অসিদা, ইজরেলগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা ৱারেপ লৌদুনা লান লাউথোকখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী অথুবা

মীফম অমা ঙরাং নুমিদাং পাঙথোকখ্রে। আমেরিকাগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এনতোনি ব্লিনকেননা হায়-হজরেলদা এট্টেক চত্থরকখিবা অদুদা আমেরিকা মচা কয়ামরুম শিখ্রে হায়বগী পাউ ফংলে। অদুমওইনমক, পাউ অসি ওফিসিএল ওইনা খঙদোকবা হোৎনরি। মহাকা হায়-দরকার লৈরবদি আমেরিকানা ইজরেলদা অনৌবা লানগী খুৎলায়শিং মতেং পাংনবা থৌরাং তৌরি।

**গেমস ঃ** ১৯ শুবা এসিয়ান গেমস চাইনাগী হাংজোদা ঙরাং লোয়শিনখ্রে।

মথংগী এসিয়ান গেমস ইং ২০২৬ তা জপানগী নাগোয়াদা পাঙথোক্লগনি। হাংজোনা ওলিম্পিক্স ষ্টেদিয়মদা গেমস অসি লোয়শিনবগী চিং লেল্লবা থৌরম ঙরাং পাঙথোকখি। ভারতকী হোকি শান্নরোই-পি.আর. সারিজেসনা ভারতকী ফিরাল পায়দুনা লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। পার্ফোমর লিশিং অনি হেনবনা পুকিং শুমহনিংঙাই ওইরবা থৌরম কয়া উৎতুনা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা নুংশিবা অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন ফাওহন্নবা হোৎনখি।

ওলিম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়াগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট-রাজা রনধির সিংহনা মথংগী এসিয়ান গেমসগীদমক জপানদা ওফিসিএল ওইনা গেমস অসিগী ফিরাল শিন্নখি। গেমস অসিদা লৈবাক ৪৫ দগী লাকপা শান্নরোই লিশিং ১২ হেনবনা মশান্না ৪০ দা অথোই অহেন তান্নখি। গেমস অসিদা ভারতনা সনাগী ২৮, লুপাগী ৩৮ অমসুং শেঞ্জেংগী ৪১ য়াওনা পন্না তকমান ১০৭ ফংদুনা মরিশুবা তাখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মনিপুরদা মীয়ামগী খোঙচৎ, মীফম পাঙথোকপা সরকারনা খুদক্তগী থিংখ্রে হায়বা পাউ, খুৎলায় পাবশিংনা মীতৈগী খুলশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-কুকি মিলিটেন্টশিংনা মৈতৈ খুনশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগী মখাদা ইরাং অসিনা পৱার সেক্তরদা অচৌবা চৈথেং পীরে হায়বা পাউ অমসু ফোংলি।

পোকফমদা-লম য়োম্থোক্লগা শান্তি হঞ্জিন্নবা তৌরোই, হয়েং কপবা ঙসি নোকহনবা পামদে হায়বা পাৎশোই কেন্দ্রগী এম.এল.এ. সাপম কুঞ্জকেশ্বরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। ন্যু কৈথেলমানবী অমদি য়াইঙংপোকপীগী অকোইবদা কুকিশিংনা লেপ্তুনা নোংমৈ কাপ্লক্লি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, পিপলস ক্রোনিকল অমদি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-মনিপুরদা মীয়ামগী খোঙচৎ, মীফম পাঙথোকপা লৈঙাকা খুদক্তগী থিংখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লামাইদা ফোংলি। য়ুনাক্কো ষ্টাফ এসোসিয়েসন খোঙমননা শিনদুনা মহৈরোইশিং পুকিং থৌগৎখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। প্রিপাক্কী ৪৬ শুবা মপোক কুমওন লাকপদা লুপ অসিগী চেয়ারমেননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি হায়বা পাউ এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা ফোংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা-কুকি মিলিটেন্টশিংনা হাৎতোকপীখ্রবা লিম্থোইঙম্বী অমসুং হেমঞ্জিৎকী মিংদা অপোকপা মপা অনিনা উ চারা থাখ্রে হায়বা পাউ

অহনাবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-এম.এল.এ. মিনিস্তরশিং ফম থাদোকউ হায়বসি কুকিশিংনা পান্বা পি.আর. লাকবগী খোঙথাংনি, এম.এল.এ. মিনিস্তরশিং ফম থাদোকপা মতাং চাদে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ঙাকপীবা অমদি কখোকপদা য়ুম্ফম ওইরগা ঐখোয় পুন্না হিংমিন্নবা য়াগনি হায়বা মিনিস্তরগী বিশ্বজিৎকী ৱাফমনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-মোইদাংপোক্তা নোংমৈ কাপশিনদুনা লান্দারকখ্রে হায়বা পাউগা লোয়ননা মী লৈনদ্রবা সনাশাবীগী য়ুমশিং মোংফম ওল্লে, নোংমৈ কাপশিল্লকপা লেপত্রি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। ক্ষেত্রিগাউদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে। ৱারেপ তরেৎ লোখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-ঐ ইশা ইথন্তা শিখ্রসিরা হায়না খল্লি হায়না রেপ ভেক্টিম ওইরবী মীতৈ নুপী অমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি। ন্যু কৈথেলমানবী এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-মীওই অহুম অফবা মখলগী খুৎলায় অমদি য়াল্লবা শেলগা কোন্ননা ফারে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি। মনিপুরদা ইরাং থোকখিবদগী মিজোরাম অসি দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবগী অনৌবা লম্বী অমা ওইনা হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরগী লম নৌনা মিং থোনজিনদবা লৈঙাকা চেকশিন ৱারোল থমখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমস অমদি হিন হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-ইজরেল অমদি পেলেস্তানিয়ান ৱারদা মীওই লিশিং

কয়া শিখ্রে, কয়া অমনা অশোক অপন নংলে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। অফগানিস্তানদা থোকখিবা য়ুহার হাবগী থৌদোক্তা মীওই লিশিং অমা শিরে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিন হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-ইন্টরনেট থিংবগা মরী লৈননা এস.দি.এস.এনা চথুরকখিবা ইকোনোমিক ব্লোকেডকী খোঙজং মতম খরগী ওইনা হন্দোকবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।